**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-01-2026)**

**রাস্ত্রপতি (এল)ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-মশক নাইরবা অমসুং মথৌ মশক খঙবা নাগরিকশিংনা লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রবু হেন্না মশক থোকবা অমসুং চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা ঙসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-ঐখোয়গী আর্মদ ফোর্সেসশিংনা লৈবাক অসিগী শাফনবা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লি। লৌমীশিংনা মীয়ামগীদমক চিঞ্জাক পুথোকবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা বৈগ্যানিকশিং, ডাক্তরশিং, ওজাশিং অমদি খুৎশা-হৈবা শিন্মী কয়ানা মাগী মাগী হীরমশিংদা থোইদোক হেন্দোকা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীরোমদা চংশিন্নবা অঙন্বা থৌদাং লৌনরি।

লৈবাক অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা নুপীশিং অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-কোতি তরা হেনবা নুপীশিংনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগা মরী লৈনদুনা লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী লমদা অনৌবা ৱাহন্থোক পীরি। নুপীশিংনা হীরম খুদিংমক্তা লৌউ-শিংউবদগী স্পেস ফাওবদা, মশানা মশাবু থবক পীজবদগী আমদ ফোর্সেস ফাওবদা মখোয়গী মফম কনবা ঙমলে। শান্ন খোৎনবগী লমদসু লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা মালেমগী ফম্বাক্তা অনৌবা মফম কনবা ঙমলে।

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক অসিনা হয়েং ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শারে।

মপুং ওইবা থৌরম নিউ দিল্লিগী কর্তভ্য পার্কতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দর লেয়েননা অথোইবা অতিথি ওইনা শরুক য়াগনি। য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন্তোনিও লুইস শন্তোস দি কোষ্টাসু গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম য়াওগনি।

মনিপুরদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনগনি। তুংদা মার্চ পাস পেরেদকী সলামি ওক্কনি অমদি তোঙান তোঙানবা পুলিস মেদলশিং পীগনি।

থৌরম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোইবদা অকনবা ঙাকশেল থৌরাং পায়খৎলে। হয়েং ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদসু অহোংবা খরা লৈগনি।

৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবসনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- ১৯৫০ গী জানুৱারী ২৬ তা সংবিধান চৎনবা হৌদুনা মনিং মখা তন্বা অমসুং মপুং ফাবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমা ওইখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা গনতন্ত্র দিবস অসি পাঙথোকপনি। কংলা সংস্কৃত্তিগী লমদা ইনাক খুল্লবা মনিপুরনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-ঐখোয়না সংবিধানবু ইকায় খুমবা তারগদি মসিনা পীরিবা নুঙগী ৱাখল্লোন অদু ঙাকা চৎপা তাই। মীয়ামগী মীহুৎশিং, সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং নাগরিক খুদিংমকা দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিংগী অশেংবা মশক অদু ঙাকবা হোৎনমীন্নসি।

শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসনসু লৈবাক অসিগী গনতন্ত্র দিবস নুমিৎনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পদ্মশ্রী (এল)ঃ** গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা পদ্মশ্রী মনা পীননবা লাউথোকপদগী মনিপুরদগী লৈখিদ্রবা নট সংকৃর্ত্তনগী গুরু-য়ুমাম যাত্রা সিংহ য়াওরে।

লৈখিদ্রবা যাত্রা সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাহদগীনি। মহাক জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ভিজিটিং গুরু ওইনা থবক তৌরমখি।

লৈখিদ্রবা শ্রী য়ুমাম যাত্রা সিংহদা ভারত সরকারনা পদ্মশ্রী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎলকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরেননা হায়-লৈখিদ্রবা য়ুমাম যাত্রা নট সংস্কৃর্ত্তনবু চাউখৎনবা হোৎনবদা কৎথোক্তুনা থবক তৌখিবা গুরু অমনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী গেলেন্টরি মেদল, প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসতিংগুইজ সার্ভিস অমসুং মেরিটোরিস সার্ভিসকী মেদলশিং পীননবা লাউথোকপদা মনিপুরগী পুলিস পার্সোনেল পুন্না ১৩ য়াওরে।

গেলেন্টরি মেদল পীননবা খনগৎপদা মনিপুরদগী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্তরশিং-লোংগোনজম লেনিন সিংহ, সিধারথ থোকচোম, হলবিলদার-থৌনাওজম নিচল সিংহ, রাইফলমেন-কুমাম প্রেমানন্দা অমসুং কন্সটেবল-ঙাসেকপম ভিম সিংহ য়াওরি।

প্রসিদেন্ট মেদলদা-মনিপুর পুলিসকী দি.এস.পি. সাসিকুমার খুরাইজম অমসুং মেরিটোরিস সার্ভিস মেদলগী ওইনা এস.পি. মনবিন্ধু সিংহ রাজকুমার, কম্মান্দেন্ট-ডা: সরাংথেম ইবোমচা, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট-ক্ষেত্রিময়ুম প্রসান্ত কুমার, হলবিলদার-নোখোলাল গাংতে, রাইফলমেন-প্রেমচান্দ চুংখাম, এ.এস.আই-পুখ্রম্বম বিজেন সিংহ, রাইফলমেন-কামলেম সাং য়াওরি।

অমরোমদা, ফয়ার সার্ভিসকী সব-ওফিসার-চিরোম রঞ্জিৎকুমারসু ফয়ার

সার্ভিস মেরিটোরিস সার্ভিসকী মেদল পীননবা খল্লকপদা য়াওরে।

**ডে ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি ১৬ শুবা নেসনেল ভোট্টরস ডে পাঙথোক বগুম মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল ভোতরস ডেগী পালন থৌরম মনিপুরদসু ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি- ভারতকী গনতন্ত্রদা নাগরিকশিংগী মপুং ফাবা থৌদাংবু উৎপা ঐগী ভারত, ঐগী ভোট হায়বসিনি।

নেসনেল ভোটরস ডেগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা মীখলদা টেকোলোজি শিজিন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- ভোট থাদবগী থৌওংশিং য়েংশিন্নবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ৱেব কাষ্টিং কেমেরাশিং শিজিন্নরি। দিল্লিগী ভোট থাদফম অমদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা টেকোলোজিগী মতেংনা মীয়ামনা নীংতমা অমদি নীংথিনা ভোট থাদহনবা ঙমলে হায়নসু ফোংদোকখি।

২০২৭ রাজ্য বিধান সভা মীখলদা চহি ১৮ শুরবা মহৈরোই খুদিংমক ভোট্টর ওইনা রেজিস্তার তৌহন্নবগীদমক স্কুলশিং অমদি কলেজশিংদা অখন্নবা কেম্পেইন চত্থরগনি হায়নসু মহাকা লাউথোকখি।

থৌরমদুদা মীখলগা মরী লৈনবা ফোটো ইগজিবিসন অমসু উৎখি। অহানবা ওইনা ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংদা ইপিক কার্ডশিংসু পীখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা লুচিংদুনা মীয়ামনা গনতন্ত্রগী মগুন খঙনা দায়ত্ব লৈনা ভোট থাদনবগী ৱাশকসু লৌমীন্নখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু ঙসি মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিনদুনা নেসনেল ভোটর ডেগী পালন থৌরম পাঙথোক খি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-ককচিংনা শিনদুনা নুমিৎ অসি ঙসি ককচিং জিলাগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ককচিং-পাংঙম্বম শান্তিকুমারনা লুচিংদুনা নেসনেল ভোটরস ডেগী ৱাশক লৌমীন্নখি।

থৌবাল জিলাদসু নুমিৎ অসি থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-য়ুমাম রোবিতানা নৌনা ভোট্টর চল্লবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংদা ইপিক কার্ড য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগা খুৎশমদুনা নুমিৎ অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখি।

নেসনেল ভোটরস ডেগী থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি, তমেংলোং, কাংপোকপী, ফেরজোল জিলাশিংদসু পাঙথোকখি।

**রোডঃ** ৩৭ শুবা রোড সেফতি থাবুমগা মরী লৈননা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিনদুনা কিলোমিটর ১০ গী লমশাং লমজেল অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না লমশাং লমজেল অদু কংলাদগী লমথাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না হায়-লম্বীদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা সরকারনা মতম মতমগী পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিংদা গাড়ি থৌরিবশিংনা ঙাকা চৎপীরবদি লম্বীগী খুদোং থিগদবদগী কনবা ঙমগনি। রোড সেফতি হায়বসি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী য়াইফনবা খোঙথাং অমনি।

থৌরমদুদা ত্রান্সপোর্ট দাইরেক্তর-খুমন্থেম দাইনাসু শরুক য়াখি।

**বোদি (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌ উচান মখোঙ লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা ময়াংলম্বম রিসিকান্তাগী অশিবা হকচাং ঙসি জে.এ.সি. অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা জেনিমসকী মোর্গতকী লৌরবা মতুং মহাক্কী পোকফম লমদমদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

**মনকি বাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভোতরশিং অসি লোক তন্ত্রগী থৱায়নি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসি জনুৱারি ২৫-নেসনেল ভোতরস ডে অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা মরুওইরবা নুমিৎ অমনি। মহাকা হায়-মশাগী চহি ১৮ শুরকপদা ভোতর অমা ওইবগী ফংলিবা তাঞ্জা অসি ভারত মচা অমগী পুন্সিগী য়ামা চাউরবা মাইলষ্টোন অমনি। নুমিৎ অসিদা ইহান হানবা ওইনা ভোতর ওইরকপদা মীয়ামদা অহাও অথুম য়েন্দুনা নুংঙাইবা ফোংদোকদুনা ভোতর অমা ওইবা হায়বসি কয়ামুক য়ামা মরুওইবগে হায়বদু খঙহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি। চহি ১৮ হেক শুরকপদা ভোতর অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈবাক অসিগী লোক তন্ত্রবু মপাঙ্গল কলহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- চহি ১০ শুরক্লবা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়াগী খোঙচৎকী হিরোশিংদি নহা ওইরিবশিং অসিনি। মখোয়গী থৌদাং অদু পুৱারিদা য়াওহৌরগনি হায়নসু মহাকা মখা তারি। শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিদি ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা অহুমসুবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম অমা ওইরে।

ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা খুমাং চাওশিল্লকপনা লৈবাক কয়ানা ভারত্তা মখোয়গী মীৎয়েং থল্লক্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়না পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংগী মগুন লৈহন্নবা হোৎনবদা মায় ওনশিন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি। মসিনা ভিক্সিত ভারতকী খোঙজেল হেন্না য়াংশিনহনগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

**হেকাথোনঃ** নেসনেল হেলথ ওথোরিতিনা শিনদুনা আই.আই.টি. কানপুরদা দিজিটেল পব্লিক গুদস ফোর হেলথ এ.আই. হেন্না ফগৎহনবগী মতাংদা ফেদরেটেদ ইন্টিলিজেন্স হেকাথোন অমা পাঙথোকখ্রে।

হেকাথোন অসি লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিটকা মরী লৈননা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর রিছার্স ইন দিজিটেল হেলথ এন্দ দাটা সাইন্স অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি-কানপুরনা পুন্না শিনবনি। নুমিৎ তরুকনি চুপা চথুরকপা থৌরম অসি থা অসিগী ১৯ দা হৌখিবনি। মসিনা থৌশিল থৌরাং শেল্লিবা লুচিংবশিং অমসুং ইনোভেটরশিংগী মরক্তা এ.আইগী লমদা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

**প্রগতিঃ** প্রধান মন্ত্রিগী ফ্লেগসিপ প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা প্রগতিনা মসিগী ৫০ শুবা মীফম মায় পাকা পাঙথোকপগা লোয়ননা শিংথানিংঙাই ওইবা পান্থে অমা ওইরি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫ দা মসি হেক হৌদোকখিবদগী প্রগতিনা লৈঙাক সাসনদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে। হৌখিবা চহি তরা হেনবা অসিদা মসিনা লৈবাক্কী ওইবা ৱারেপ লৌবা অমদি মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা চাউনা মতেং পাংলি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি শকাইরবা রাজনিতিৱালা-রাজমতাতা বিজয়রাজে সিন্ধিয়া লৈখিদবগী কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী সাহনা হায়-রাজমাতা সিন্ধিয়ানা মহাক্কী পুন্সি লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকখি।

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-নম্বুল মপাল

এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনना এফ.সি. রেংদাইবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এলভেন স্তার স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু অকাম্পাৎপু পাঞ্জল ৩-০ দা অদুগা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** কে.সি.সি. কপ খুরাইগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- এস.এস.ৱাই.সি. ঙানুকোননা সোনালিকাবু রন-৭২ দা, ক্যুব টেননা সোনালিকাবু রন-৮৩ দা অদুগা কে.জি.এফ. খুরাইনা এস.এস.ৱাই.সি. ঙানুকোনবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

এল.ৱাই.এল. লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং গেলেক্সিয়ান এলভেনগা শান্নগদবা মেটচতা গেলেক্সিয়ান এলভেন লাক্তবদগী এল.ৱাই.এলনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**এঠলেটিক্সঃ** রাজস্থানগী অজমেরদা থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী অনি ফাওবা পাঙথোক্কদবা তরেৎলকশুবা নেসনেল মাস্তরস এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা মনিপুর টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরগী এঠলেট ১৪৩ না শরুক য়াগনি। শান্নরোইশিং অদু সমাজৱাদি পার্টি মনিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট-কোন্থৌজম বিশ্বজিৎনা ঙসি লমথাখি।

**বোদিঃ** মধ্য প্রদেসকী ইন্দোরদা মার্চ ২৮ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা সেনিয়ার মেন্স এন্দ ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ অমসুং কোলকাতাদা মথং থাগী ১৪ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা ফেদরেসন কপতা শরুক য়াগদবা মনিপুর টিমগী শান্নরোইশিং খন্ননবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন

ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না ওল মনিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা হায়রি।

**এক্কেসত্রিয়ানঃ** ঙসিদগী পাঙথোক্কনি তৌরম্বা এক্কেসত্রিয়ান চেম্পিয়নসিপ খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোক্লে হায়না মনিপুর এক্কেসত্রিয়ান এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি-এন. ইবোঙৌচৌনা হায়রি।